**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী তরুকশুবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। পুন্না সিত্তিং ৯ লৈগদবা মীফম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চথুগনি।

২)  শ্রী লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়া, হয়েং মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

৩)  মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন জষ্টিস য়ু.বি. সাহনা হায়রি- রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা নাগাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু।

৪)  কেরলাগী ৱায়ানাদ জিলাদা চীং নীংখায়বদা মীওই ৯৩ লৈখিদ্রে, ১২৮ হেনবনা অশোক অপন নংহনখ্রে।

অমসুং

৫)  পেরিস ওলিম্পিক্স গেমসতা ঙসি ভারতকী মানু ভাকর অমসুং সরাবজোত সিংহগী মপাংনা মিটর ১০ গী ইয়ার পিষ্টোল মিক্স টিমনা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংবা ঙমখ্রে।

------

এসেমব্লি (এল) ঃ    ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী তরুকশুবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। পুন্না সিত্তিং ৯ লৈগদবা মীফম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চথুগনি।

অহৌবা নুমিৎতা বিধান সভাদা ৱাহং পাউখুম, বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী রিপোর্ট পুথোকপা, ২০১৮-১৯ গী দিমান্দ ফোর এক্সেস গ্রান্ট পুথোকপা, শেল থুম মন্ত্রিনা ২০২৪-২৫ গী বজেৎ ইষ্টিমেট পুথোকপা অমদি রাজ্যপালগী ভাষন থাগৎপগী খন্ন-নৈনবনচিংবা য়াওরি। মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিমান্দশিং সভাদা খন্নদুনা পাস তৌগনি।

অমরোমদা, মনিপুর বিধান সভা মীফমগী য়েংলগা মীয়ামদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমদি খুদোংচানবগীদমক বিধান সভাগী অকোইবদা থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগা মীফম লোইদ্রিবা ফাওবা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

শঙাকফমলোমদগী লাকপা চাকা মরি পানবা অচৌবা গাড়িশিং সলাম থোংরোমদা, খোঙনাং অনি করক্তা লাকপা গাড়িশিং দিকু রোড ফাওরগা লমলোং থোং অমদি এম.এম.টি.এ লম্বী রোমদা চৎখিগদবনি।

ৱাথম লৈরক্তা লাকপা গাড়িশিং থাংমৈবন্দ লম্বী ফাওরগা খোয়াথোংরোমদা, খোয়াথোংদগী লাকপা গাড়িশিংনা এল.আই.সি লম্বী রোমদা অদুগা শিংজমৈদগী লাকপা গাড়িশিং পিশুমথোং লোমদা ফাওরগা চৎখিগদবনি হায়রি।

খোঙনাং অনি করক্তগী লিলাসিংহ খোঙনাংখোঙ ফাওবগী লম্বীদা গাড়ি অচৌবা অমত্তা ফাওরকপা য়ারোই। অথু অকায়গা মরী লৈনবা গাড়িশিংদি অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

ৱাশক ঃ শ্রী লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়া, হয়েং মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা অয়ুক পুং ৯ মখায়দা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌরগদবা লক্ষমন প্রসদা অচারিয়া ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে। মহাকপু রাজ ভবনদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরিনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়ানা তরামা ওকখি।

মণিপুর রাইফলস অমসুং আই.আর.বিগী পার্সোনেলশিংনা রষ্ট্রিয়া সেলুট পীখি।

তুংদা মুখ্য মন্ত্রি, মণিপুর বিধানগী অধ্যক্ষ অমসুং এম.এল.এশিংনা হনখ্রগদবা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা রাজ ভবনদা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা শুশ্রি অনুসুইয়া উইকেনা রাজ্যপাল ওইনা রাজ্য অসিগীদমক য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎলম্বা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মণিপুরগী ইরাং অসি ৱারোইশিন প্রকবা মহাকা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরমখিবা কয়া অদুবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা শিংথাখি। রাজ্যপালনসু মহাক্কী মতমদা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং মন্ত্রিশিংনা মঙোনদা মতেং কয়া পাংখিবা অদুবুসু থাগৎখি।

তমেংলোং (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা তমেংলোং জিলাদা চীং নিংখায়বগী থৌদোক্তা মমা-মচা লৈখিদবা থৌদোক অদুবু থম্মোই শোকা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা, ফিভম থিনা শোক্নুনা লাইকন্নরিবা রিংসিনলুঙ কামৈগী অৱাবদা সরুক য়ারি হায়রি।

পনবা য়াবদি, তমেংলোং জিলাদা ঙসি নোংঙাল্লমদাই নোং কন্না চুবদগী চিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা মমা-মচা অনি লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা ইমুং অসিগী অতোপ্পা মীওই অমাসু শোক্নুনা হৌজিক ইম্ফালগী হোস্পিতল অমদা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়রি। লৈখিদ্রবা মমা-মচা অসি জিলা অসিগী তবাংলোং খুলদগীনি। হৌজিকা তমেংলোং ৱার্ড নম্বর থ্রি-দিমথানলোং ভিলেজতা লৈবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, জিরিবামদগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসন তমা লাকপা মাল পুবা রেল গাড়ি অমা রেল লম্বী অকাই অতোই থোক্লম্বদগী খোংসাং য়ৌবা ঙমদনা জিরিবামদা হল্লকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়- ঙসি অয়ুক অঙনবদা কা হেন্না অকনবা নোং চুবদগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসন য়ৌগদবা কিলোমিতর ২০ লোম ৱাৎলিঙৈদা রেল লম্বীদা অকাই অতোই থোকপা থেংনখি। তেরিতোরিয়েল আর্মিগী পেট্রোল কাংবুনা রেল লম্বীগী ফিভম অদুগী মতাংদা রেলৱে

ওথোরিতিদা খুদক্তা পাউ পীদুনা বোগি ২১ য়াওবা এফ.সি.আই গোদাউনদগী চেং পদুনা লাকপা রেলগাড়ি অদু থিংখি। মদুদগী সিলচর রেলৱে ষ্টেসনদগী ইঞ্জিন পুরক্তুনা মাল পুবা রেলগাড়ি অদু জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুথোরকখ্রে। হৌজিক অকাই অতোই থোকখ্রবা রেল লম্বী অদু শেমজিনবগী থবক চখ্খরি।

সাহ (এল) ঃ মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন জষ্টিস য়ু.বি. সাহনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক উংখৎনরিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নবগী ফিভম অমা পুরকবা হোৎনবদা নাগাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু।

ৱাফম অসি চেয়ারপার্সন য়ু.বি. সাহনা উখ্রুল জিলাগী খোঙচৎতা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নবগী থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা কাংলুপ অনিগী মীওইশিং মরুওইনা নুপী অঙাংশিংনা হেন্না অৱাবা মায়োকরি।

শ্রী সাহনা উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মফমদুগী সি.এস.ওশিংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখি। মদুদা সি.এস.ওশিংগী মাইকৈদগী জিলা অসিদা মেদিকেলগী ষ্টাফ অমসুং ওজা মশিং ৱাৎপগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউদমখি। কামজোং জিলাগী ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লেন্দমাইন বোম ফুমজিনদুনা হন্দক মহৈরোই অনি অশোক অপন নংখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদসু চেয়ারপার্সনদা পুখৎতুনা খঙহনখি। তুংদা, চেয়ারপার্সন্না উখ্রুলগী দি.সিগা পুন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা চত্তুনা অনাবশিংগী ৱারী ৱাতাই শান্নখি।

জিরিবাম (এল) ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং সন বার্দ ট্রষ্টনা খুৎশম দুনা জিরিবাম জিলাগী মফম ৮ দা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা শান্নপোৎ য়াওনা তেংবাং পোৎলম কয়া য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার য়াওনা ওফিসিয়েলশিংনা বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অহুমদা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দি.সি. কৃষ্ণকুমারনা হায়- জিরিবামগী বোরোবেক্রা সবদিভিজনগী অহানবা ওইনা য়ুম শানবা থবক পায়খৎপা হৌরে। য়ুম হেক শাবা লোইবগা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা থবক পায়খৎকনি।

থৌবাল (এল) ঃ মশক খঙদবা গাড়িনা থোল্লম্বা নত্রগা তক্লম্বদগী লৈখিদ্রবা নত্রগা শোক্তুনা লৈহৌবা মীওইশিংদা ক্ষেতিপুরন পীনবা কেন্দ্রনা ইং কুমজা ২০২২ হৌদোকখিবা হিট এন্দ রন কম্পেন্সেসন স্কিম থৌবাল জিলাদা ঙসিদগী চৎনবা হৌরে। লোয়ননা স্কিম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী কেম্পেন অমসু ঙসি পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস থৌবাল অনিনা খুৎশমরগা থৌবাল জিলাগী দি.সি. ওফিসতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা স্কিম অসি থৌবাল জিলাদা ঙসিদগী চৎনবা হৌরে হায়না জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা লাউথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী শুবাসনা হায়- মীয়ামা মসিগী কান্নবা লৌনবা হোৎনবীয়ু।

সেনাপতি (এল) ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ও.পি.দিদা মিং চনবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংনবগীদমক এ.বি.দি.এম ফেসিলিতি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মামোনি দোলেনা ঙসি হৌদোকখ্রে। কান্নবা অসি লৌনিংবশিংনা মোবাইল ফোনদা অভা এপপ দাউনলোদ তৌগদবনি। এপপ অসি দাউনলোদ তৌরবা মতুংদা কিউ.আর কোদ অমা ফংগনি। মসি হোস্পিতালদা সিয়ার তৌরবা মতুংদা ও.পি.দিগী টিকেৎ ককপা য়াগনি।

এপপ অসিগী মতাংদা পল্লদুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অদুগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেট ডাঃ হেলেন সিমরেনা হায়- মসিনা অনাবা পুখৎলক্লবা মতুংদা ও.পি.দি টিকেৎ ককবগীদমক কিউদা লেপ্পগী খুদোংচাদবা অদু লৈররোই।

শঙ্গাবা (এল) ঃ থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং-লমদিং কৈথেলনা কোনবা নেসনেল হাইৱে ১০২ গী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা নৌনা শাবা ত্রাফিক বুথ অনি ঙসি হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাখ্রে। ঙসি শঙ্গাখিবা ত্রাফিক বুথ অনি অদু ৱাংজিং-তেন্থা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- পাউনম ব্রোজেন অমসুং খাঙবোক বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ শুরজা কুমার ওক্রমনা মশাগী মরনাই শেনফম পুথোক্লগা শাখিবনি হায়রি।

উখ্রুল (এল) ঃ ৱার্ল্ড ডে এগেনষ্ট ত্রাফিকিং ইন পার্সন নুমিৎ ঙসি উখ্রুল জিলাগী য়ু.বি.সি জ্বিলি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মুক্তি প্রোজেক্টনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার- কেঙু জ্রিংলা, তাঙ্খুল সনাউলোংগী প্রসিদেন্ট থিংরৈফিনচিংবা শরুক য়াখি।

নোনে (এল) ঃ নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লম্বীশিং কা হেন্না ফিভম ফত্তবা অদু য়েংলগা লোংমাই পার্ট ফোর পিছ লেন্দগী খুঞ্জাশিংনা শেমজিনখ্রে। ভিলেজ ওথোরিতি অমসুং ভিলেজ কমিতিগী লমজিং মখাদা লম্বীশিং অদু শেমজিনখিবনি। লম্বীদা চাউনা চাউনা কোংকুৎ লৈরিবশিং মেনশিনখি অমদি লম্বী ময়াইদা লৈবা অকুৎ অতোংশিং তেমথোক্তুনা শেমজিনখি হায়রি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-আগষ্ট অনি ফাওবা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা নোং চুগনি। অদুগা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা রাজ্যশিংদসু অকনবা নোং চুরবা য়াই। দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা হায়-সৌরাস্ত্রা, কটচ, কোনকান, গৱা, মধ্য প্রদেস, মহারাস্ত্রা, ছাতিসগর, করনাতক্কাগী খা থংবা শরুকশিং অমদি সমুদ্র মপানশিং য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং-মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেসকী মফমশিংদা আগষ্ট অনি ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

কেরলা ঃ  কেরলাগী ৱায়ানাদ জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মুন্দাকাই, আতামালা অমদি চুরামালাগী মফমশিংদা নোং কা হেন্না চুবদগী লেন্দ স্লাইদ থোকপদা শিবা অমদি শোকপগী মশিং হেনগৎলক্লি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অসিদা মীওই ৯৩ লৈখিদ্রে, মীওই ১২৮ হেনবনা অশোক অপন নংহনখ্রে। মখা তানা মী কনবগী থবক চথুরি।

চীং নিংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই কয়া লৈখিদবা অমদি অশোক অপন নংখিবা থৌদোক অদুবু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনসু থৌদোক অদুদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

দিল্লি ঃ  লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা ঈচাউনা মরম ওইদুনা মহৈরোই লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা নেসনেল হ্যমেন রাইটস কম্মিসন্না দিল্লিগী চীফ সেক্রেটরি, দিল্লি পুলিসকী কম্মিসনার অমসুং দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কম্মিসনারদা নোতিশ ইসু তৌখ্রে। মহৈরোই অহুম লৈখিদবা অদুগী মপুং ফাবা পাউখুম চয়োল অনিগী মনুংদা পীরকবা খঙহনখ্রে।

এক্সিদেন্টঃ  ঝরখন্দ রাজ্যগী বদাবোম্বো অমসুং খরসৱা রেলৱে ষ্টেসন অনিগী মনাক নকা লৈবা পোটোব্রেদা খুঙ্গংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী হাউরা-মুম্বাই মেল রেলগাড়িগী বোগী ১৮ গুরুং চৎপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী হমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০-১০, ফিভম হেন্না লুনা শোক্তবশিংদনা লুপা লাখ ৫-৫ অমসুং কা হেন্না শোক্তবশিংদনা লুপা লাখ অমমমগী ক্ষেতিপুরন পীরগনি হায়না রেলৱে মন্ত্রালয়না লাউথোকখ্রে।

ওলিম্পিক্স ঃ  পেরিস ওলিম্পিক্স গেমসতা ঙসি ভারতকী মানু ভাকর অমসুং সরাবজোত সিংহগী মপাংনা মিটর ১০ গী ইয়ার পিষ্টোল মিক্স টিমনা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংবা ঙমখ্রে। মখোয় অনিনা শেঞ্জেংগী তকমান অসি

ফংদুনা  গেমস অসিদা ভারতকী তকমান মশিং অমা অমুক হাপকৎতুনা পুন্না তকমান অনি লৌবা ঙমখ্রে।

ওকপা (এল) ঃ  কোলকাতাদা পাঙথোক্লিবা ৮ শুবা ইন্তরনেসনেল করাতি চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ারুবা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা অকামপাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি- খুমন্থেম দাইনা শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল) ঃ    চান্দেল স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী অহানবা ওইনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসন শেমখ্রে। এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ঙোরু সমসন অদুগা জেনেরেল সেক্রেটরি ওইনা টি.ঐচ. জোন লেফাঙম মোনসাং খনখ্রে।

ফুটবোল (এল) ঃ    অসামগী নাগাউদা চৎথরিবা জ্নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাঃ বি.সি. রোই ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মথং থাগী অহুমদা মণিপুরগা নাগালেন্দগা থেংনরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

------